# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 13-02-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রেদিও এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ হায়বা হিরমদা মালেমগী রেদিও নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

২) ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেল গেমস হয়েং লোইশিল্লগনি। মণিপুর মেদল টেল্লিগী ১০ শুবদা লৈরি।

অমসুং

৩) হনকম টেক্স বিল ২০২৫ ঙসি লোক সভাদা পুথোক্লগনি, সংসদকী বজেৎ মীফমগী অহানবা তাঙ্কক ঙসি লোইশিল্লগনি।

------

রেদিও ঃ ঙসি অসি মালেমগী রেদিও নুমিৎনি। চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারি ১৩ বু ৱার্ল্ড রেদিও ডে হায়না পালন তৌরি। ৱার্ল্ড রেদিও ডে অসি মীয়ামদা রেদিওগী মরুওইবা অদু হেন্না খঙহন্নবা অমসুং ঈ-পাউগী লমশিং রেদিওগী খুত্থাংদগী মীয়ামদা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

কুমশি চহিগী ৱার্ল্ড রেদিও ডেগী হিরমনা- রেদিও অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জ হায়বসিনি। নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা প্রসার ভারতিগী চেয়ারমেন নভনিত কুমার সেহগলনা হায়- মীয়ামদা ঈ-পাউ, কলা সংস্কৃতি অমসুং শেল থুমগী মতাংদা পাউ পীথোক পীশিন তৌবদা রেদিওনা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

ৱার্ল্ড রেদিও ডেনা লাকপদা মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা অকাশবানি দাইরেক্তর জেনেরেল ডাঃ প্রগ্যা পলিৱাল গোরনা হায়- চহি ৯০ রোম রেদিওনা ঈ-পাউ, শিক্ষা অমদি হরাউ কুম্মৈগী থৌরম কয়াগা লোয়ননা মীয়ামগা পাউ ফাউদোক ফাউজিন তৌনরি।

দিসি (এল) ঃ  মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী ইরাং অসিনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী রেসিদেন্সিয়েল স্কিল ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকপদা রাজ্য সরকারনা অয়াবা পীরে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা ইয়ার ইন্দিয়ার অমসুং ইন্দিগো এয়ারলাইন্সতা কেবিন ক্রু ওইনবগীদমক মীওই ৫০০ ত্রেনিং পীগনি। ত্রেনিং অসিদা য়াওনিংবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্প নোদেল ওফিসারগী খুখাংদা থা অসিগী ১৬ ফাওবদা অকুপ্পা মরোল পীশিল্লকপা য়াগনি হায়রি।

এমএলএ (এল) ঃ  শগোলবন্দ ইঙুদম লৈকাই মৈরা পায়বী শগুলেন এম.এল.এ আর.কে. ইমো সিংহনা ঙরাং শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা আর.কে. ইমোনা হায়- ইং ২০২২ দগী হৌনা এম.এল.এ অনা লায়েংগী তেংবাং স্কিমগী মখাদা মীওই কয়াদা শেন্থুং পীদুনা লাক্লি। মসিগী মনুং চন্না কেন্সর নত্রগা কিদনি নত্রগা হার্ট নারবা মীওইশিংদা লুপা লিশিং ২০-২০, এক্সিদেন্টতা লৈখিদ্রবা ইমুং অদুগী মীওইশিংদা লুপা লিশিং ৫০-৫০ অমদি কোবিদ নাইন্তি লাইচৎ মনুংদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লিশিং ২০-২০ পীদুনা লাক্লি।

মহাকা হায়- কোবিদ লাইচৎকী মতমদা পি.এম.অৱাস য়োজনাগী মখাদা বেনিফিসরি ৭০০ লোমদা য়ুম শাবা হৌনবা শেন্থুং পীথখি। এম.এল.এনা হায়- তেরাদা শারিবা ৱাটর রিজার্ভর অসি অথুবা মতমদা মথৌ তৌদুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা থকবা ঈশিং পীবদা চাওনা মতেং ওইরগনি। মহাকা হায়- শগোলবন্দ

তেরা বজারদা লৈবা নুপী কৈথেল অথুবা মতমদা যাত্রা হুনদুনা থবক পায়খৎলগনি। মসিগী মথক্তা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা শগোলবন্দ কেন্দ্রদা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গারগনি।

গেমসঃ  মমাং থাগী ২৮ দগী চথরকখিবা ৩৮ শুবা উত্তরাখন্দ নেসনেল গেমস হয়েং লোইশিল্লগনি।

ঙরাং ১৬ নি চনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা সনাগী তকমান ১৪, লুপাগী ১৫, শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৫২ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী ১০ সুবা মফমদা লৈরি।

গেমস অসিদা মণিপুরনা ৱুসু মশান্নদা খ্বাইদগী য়ামা সনাগী তকমান ৭ লৌখি। ত্রাইথলোন অমসুং ৱেথলিফতিংদা সনাগী তকমান অনি অনি, জিম াষ্টিক, আরচরি অমসুং ফেন্সিংদা সনাগী তকমান অমমম লৌখি।

সার্ভিসেস স্পোর্টস কন্ত্রোল বোর্দনা সনাগী ৬৫, লুপা ২৪, শেঞ্জেংগী ২৫ পুন্না তকমান ১১৪ ফংদুনা মেদল টেল্লিগী মকোক্তা লৈরি।

মহারাষ্ট্রনা সনাগী ৫০, লুপাগী ৬২, শেঞ্জেংগী ৬৩ পুন্না তকমান ১৭৫ ফংদুনা অনিসুবদা, হরিয়ানানা সনাগী ৩৯, লুপাগী ৪৫, শেঞ্জেংগী ৫৬ পুন্না তকমান ১৪০ ফংদুনা অহুমসুবা মফমদা লৈরি।

বিল ঃ  ইনকম টেক্স বিল ২০২৫ ঙসি লোক সভাদা পুথোক্লবা য়াই। ইনকম টেক্সকা মরী লৈনবা আইনশিং শেমদোকবা পান্দমদা পুথোক্কদৌরিবা বিল অসি ঙসি সভাদা পুথোকবা লিষ্টতা য়াওরে। মহাক্কী বজেৎ ৱারোলদা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না অনৌবা ইনকম টেক্স বিল পুথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবনি। চহি অমদা লুপা লাখ ১২ ইনকম লাকপা মীওইশিং ইনকম টেক্স থিররোই হায়না মহাকা লাউথোকখিবনি।

লোক সভাদা ঙসি ৱাকফ (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৪ গা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট কমিতিগী রিপোর্ট লোক সভাদা থল্লবা য়াই। সংসদতা চথরিবা

বজেৎ মীফমগী অহানবা শরুক ঙসি লোইশিল্লগনি। অনিসুবা তাঙ্কক মার্চ থাদা পাঙথোক্কনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি ঙসি অয়ুক অঙনবদা ৱাশিংটন দি.সিদা থুংখ্রে। লৈবাক অনিগী খোঙচৎকী শরুক অমা ওইনা প্রধান মন্ত্রিনা আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পকা লৈবাক অনিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নরবা য়াই।

আমেরিকাদা লৈবা ভারতকী রাষ্ট্রদুত বিনয় মোহন ক্বাত্রা য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকখি। অঙৗংবা মরক্তা মফম অদুদা লৈবা ভারত মচা কয়া থোরক্তুনা প্রধান মন্ত্রিবু তরামা ওকখি। আমেরিকা খোঙচং মাংওইননা ফোংদোকখিবা ৱাফমদা প্রধান মন্ত্রি হায়- মহাক্কী খোঙচৎ অসিনা ভারত অমসুং আমেরিকাগা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিনহনবগা লোয়ননা হিরম কয়াদা তেংবাংনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পকা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফমশিং অমসুং মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নগনি। প্রধান মন্ত্রিনা আমেরিকাগী সেনিয়র এদমিনিষ্ট্রেতরশিং, লল্লোন ঈতিক্কী লুচিংবশিং অমসুং মফম অদুদা লৈবা ভারতমচাশিংগসু ৱারী শান্নগনি। আমেরিকাদা অনৌবা লৈঙাক সাসন লাকখ্রবা মতুং চয়োল অহুমগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিবু লৈবাক অদুদা লাকবা বার্তন তৌরকখিবনি।

মদুগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা ফ্রান্সতা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি ইমানুএল মেক্রোনগা হিরম কয়াগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। প্রধান মন্ত্রি ফ্রান্সকী রাষ্ট্রপতিবু ভারত্তা লাকবসু বার্তন তৌখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খনবগী ৱাফম লৈখায় তাদ্রি, সম্বিৎ পত্রনা গভর্নরনা অহুল্লকশুবা ওইনা উন্নরবসু মণিপুরগী সি.এম. কনানা ওইগনি হায়বা খঙবা

ঙমদ্রি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সন্বিৎ পত্রনা গভর্নর অমদি এম.এল.এশিং হঞ্জিন হঞ্জিন উন্নরে, অনৌবা চীফ মিনিষ্টর কনা ওইগদগে খঙদোকপা ঙমদ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা আনিসুবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ নহারোলগী থৌদাং, ঈচেল এক্সপ্রেস, সনালৈবাক, শঙাই এক্সপ্রেস ইদিসন অনিমক্তা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মণিপুরদা প্রসিদেন্ট রুল লাক্কদৌরিব্রা হায়না ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউদা করাম শ্যামনা পি.আরগী ৱাফম লৈতে, এম.এল.এ শুশিলদ্রো হৌজিক ফাওবা ৱা ঙাংদ্রি হায়না মোর্নিং বেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বোর্দর ফেন্সিং অমদি এফ.এম.আরগী মায়োক্তা টোটেল সটদাউনগা লোয়ননা মাস রেল্লি চৎখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

এসেমব্লি মীফম কৌখিবগী ওর্দর চৎনহনখিদবা, গর্ভনরনা কন্সটিট্যুসন খোঙগাউনখিব্রা হায়বা পাউ ঈচেল এক্সপ্রেসতা অনিসুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি।

মণিপুর নিউজদা চীফ মিনিষ্টর এন. বিরেন রিজাইন তৌখ্রবা মতুং অনৌবা লিদর খনবা ঙমদবদগী পি.আর. লাক্লবদি সি.এম. শিন্দোকবা হোৎনরুবশিং মীয়ামা পারা তন্বীরকপা য়ারি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ফৌগাকচাউ ইখায়দা লৈবা লৈঙাক্কী সাইতোন নম্বর ৱান অপ্পর প্রাইমারি স্কুল লৈঙাক্কী ওজা অমত্তা য়াওদনা স্কুল মেনেজমেন্ট কমিতিনা মহৈরোইশিং তন্বীহৌরি হায়না সনালৈবাক্কী এনকর কলমদা ফোংলি।

সন্বিৎ পত্রগা গভর্নর অমদি এম.এল.এশিংগা উন্নখ্রে, অনৌবা চীফ মিনিষ্টর মোদি হল্লক্লবা মতুং খল্লবা য়াই হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মসিগা মান্নবা পাউ সনাপতিদা ফোংবা হিলস

হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মিজোরমদা লুপা ক্রোর ১৭৩ হেনবগী ড্রগশিং ফাগৎখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

জিমাষ্ট, ফেন্সরস অমদি জ্দোকানা মেদল ৭ ফংলে হায়না মণিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিল্লি মৈতৈ কোওর্দিনেসন কমিতিনা মণিপুরগী ইরাংগা মরী লৈননা অমিত সাহ রিজাইন তৌনবা দাবী তৌবগী পাউ তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

তমেংলোং দি.সিনা বরাক তুরেলদগী ফারকপা ঙা অমুক হন্না চাবা য়ারগনি হায়না থোকখিবা ওর্দর তমেংলোং টাইমসতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------